# ELECTION MANIFESTO 2017




## NORTH EAST INDIA DEVELOPMENT PARTY (NEIDP)

Sagolband Tera Loukrakpam Leikai, Imphal West, Manipur, India - 795001

**NEIDP**

**ELECTION MANIFESTO**
**2016-17**
**FOR ELECTIONS TO MANIPUR ASSEMBLY**

## INTRODUCTION

North East India Development Party (NEIDP) is born out of the aspirations and expectations of the people of Manipur and the entire North Eastern region who have been denied their rightful due in terms of development from all angles. The fact that some seven lakh youth remain unemployed as on date is indicative of the degree of no development in Manipur. NEIDP is committed to usher in a new era in the history of Manipur by constructing an egalitarian, inclusive, secular, democratic and cultural-pluralist society based on the Gandhian perspective. NEIDP is dedicated to the values and ideals of Gandhiji. It is dedicated to the task of building a prosperous and peaceful Manipur drawing inspiration from our rich heritage and the noble traditions of our elders. In other words NEIDP's ideology is to foster democracy in all its dimensions, economic, political, social and cultural which NEIDP is determined to deliver by learning from our ancient history and the freedom struggle within the Gandhian framework.

The main stream political party which has enjoying power and authority most of the time after independence has failed to wipe out poverty, unemployment, ill health, illiteracy leading to the current sorry state of affairs faced by the people of Manipur.

NEIDP believes in providing to the society leaders whose ideal is integrity in public and in private life, whose ambition is to use their authority for improving the conditions of the common man, whose patriotism is above temptation of any kind and is not prostituted for preserve ends and personal gain. This is not an easy task but all task but all long journeys begin with the first step.

NEIDP is pledged to the establishment of maximum welfare for all with Government playing the role of a facilitator friendly to the people. NEIDP stands for social justice and removal of disparities of opportunity and distributed welfare. NEIDP wants to create a society with a political government powerful in its legitimate domain and minimal elsewhere, NEIDP dedicates itself to the concept identity and a nationalist ideology embodied in an implementable agenda.

## NEIDP'S APPEAL TO THE VOTERS

NEIDP in all humility asks for a mandate to give the state of Manipur a government responsive to the people and respectful to the country's constitution and democratic freedoms and institutions.

**NEIDP's programme and agenda for the people are as follows**

1. NEIDP shall bear true faith and allegiance to the constitution of India and will strictly adhere to the basic features of the constitution in terms of :
   * The supremacy of the Constitution
   * Secular character of the Constitution
   * Federalism if the Constitution
   * Sovereign Democratic and Republican character of the Constitution.
2. It shall strive hard for upholding the political, social and economic rights for development of Manipur within the boundaries of the Indian Constitution.
3. It shall fight within the legal boundaries for the upliftment of the marginalized sections of the society in the entire Manipur which includes scheduled castes, scheduled tribes, minorities and other backward classes.
4. It shall also fight for the legitimate rights of the upper class and the privileged sections of the society in respect of their constitutional rights. The party shall strive hard to maintain balance so that the development of the community is inclusive irrespective of caste, colour and creed.

5. It shall encourage building up a casteless India.
6. It shall encourage educating the masses on the equality of the religions and fostering equal respect for the theology of all religions.
7. It shall promote peace and harmony across the multi-ethnic, multi-religious, multi-cultural communities based on justice.
8. It shall encourage restructuring education system and including the basic precepts of all religions to promote truthfulness, courage and austerity.
9. It shall give equal opportunity to all people of Manipur in all spheres of life.
10. It shall work tirelessly for the upliftment of Manipuri women and protect them in all respects including harassment at work place and ensure stringent punishment for those found guilty of sexual harassment and domestic violence.
11. It shall ensure the rights, dignity and security of workers across in Manipur and prevent their exploitation.
12. It shall strive hard to prevent trafficking of women and children.
13. It shall enact strong legislations to check female foeticide and infanticide.
14. It shall promote economic empowerment of rural poor women.
15. It shall accord minimum 33% to women in the legislatures and ensure proportionate representation for all the communities.
16. It shall strive to enforce equal wages for equal work for both women and men in Manipur.
17. It shall promote small and cottage industry and provide loans to farmers at nominal interest.
18. It shall ensure minimum support price for agricultural produce to the farmers and promote agri produce co-operatives for better marketing of the produce.
19. It shall treat water as a National and common resource and stop privatization or sale of water bodies like river, tanks, ponds etc.
20. It shall fight tooth and nail against all forces, terrorists and insurgents that work against the Nation and pose danger to the unity and integrity of Manipur and the Nation.
21. It shall guarantee life with dignity, freedom from fear of violence and peaceful co-existence.
22. It shall promote friendly relationship with neighbouring countries.
23. It shall safeguard and take effective measures to prevent starvation deaths, farmers and traditional workers and artisans committing suicide, deaths of malnourished children and women particularly in rural areas.
24. It shall enact laws to promote food security and protect food sovereignty through comprehensive farmer/landless peasants/agricultural workers centric agrarian reforms.
25. It shall make the public distribution system a transparent and well functioning system to provide security to the weaker sections of the society.
26. It shall protect common persons from arbitrary arrest and illegal detention and being subjected to torture and inhuman treatment.
27. It shall fight through peaceful means for repealing The Armed Forces (special powers) Act in the state of Manipur as well as in some of the other North Eastern states.
28. It shall ensure right to free expression, association, assembly and democratic dissent.
29. It shall provide free and compulsory elementary education till the age of 14 to all and establish a mechanism to assess quality of education.
30. It shall work hard for removal of Adult Illiteracy.
31. It shall promote vocationalisation of the higher secondary level of education and vocational training to special institutions by offering multiple skills to provide manpower for economic growth and for production of new technologies.
32. It shall ensure the economic security and will being of the teachers by doubling of teacher's salaries. The party believes that without quality teachers it will not be possible to improve the educational system.
33. It shall ensure quality and affordable health to all with special focus on rural areas women and children.
34. It shall revitalize primary health centres, establish good hospitals in the rural areas to provide health care at affordable cost.
35. It shall ensure correction of the existing gross short comings in our health care delivery system.
36. It shall give equal priority to promote indigenous and traditional health care system and provide financial and institutional support for research in this area.

37. As most of the diseases faced are water-borne it shall ensure safe drinking water to all.
38. It shall provide low cost housing to the marginalized sections of the society.
39. It shall promote industrial development of non-pollutions industries in the state of Manipur.
40. It shall support liberalization of the economy and privatization. NEIDP pledges itself to the cause of deepening, widening and broadening the vistas and processes of globalization, liberalization and privatization with focus on maximization of production, employment and exports.
41. NEIDP shall strive hard to induce investments in Manipur that promote employment, to modernize agriculture, to encourage efficient small industries and to encourage grass-roots capitalism to improve the lives of rural and urban poor.
42. NEIDP shall provide an appropriate legal, regulatory and administrative frame work for ensuring a smooth and accelerated flow of private investment in the state of Manipur.
43. NEIDP shall strive hard for transformation of the rural economy by according industry status to agriculture.
44. It shall promote transparency and accountability in governance.
45. It shall strengthen independent vigilant bodies at every governing structure to stop corruption.
46. It shall conduct periodic social audit of the various government departments and private companies as a public-private exercise.
47. It shall fight to remove the mandate of political criminals and criminal politicians from Manipur.
48. It shall promote "Neta-Centric" political environment to "People-Centric" by promoting the concept of primary elections by which the winner of the primary election shall become the party's nominee for a particular constituency. This step by the party shall remove the current competitive sycophancy and money which are the most important factors in determination of nominations and distribution of tickets.
49. It shall restore the Police Administration from subverted corrupt recruitment, plethora of laws and criminal-politician axis.
50. It shall ruthlessly suppress gangsterism, terrorism and fundamentalism and establish the rule of law.
51. I shall revamp the intelligence system through application of modern technology.
52. It shall promote academic and research institutions for carrying out studies in criminology, police and forensic science in Manipur.
53. It shall take steps to computerize criminal record history for prevention and control of crimes.
54. It shall promote organic farming in the state of Manipur.
55. It shall take committed steps to uphold, preserve and promote the age old traditions, customs and rich heritage of different ethnic communities in the state of Manipur.
56. It shall strictly implement the environment protection laws.
57. It shall promote and exchange cultural delegations amongst the Seven Sisters.
58. It shall works for the welfare of the people of all the North Eastern States. The dictum "All are Equal shall apply to one and all."
59. It shall encourage preservation of indigenous people and their culture with the view to glorify the theme of unity in diversity in India.
60. It shall promote festivals, cultural events, get togethers that promote social interaction based on equality.
61. It shall strive to enhances trading regulations of the Region.
62. It shall promote Public Transport and Connectivity in the Region.
63. It shall take steps to promote International Economic studies and Language at University level.
64. It shall promote Eco-Tourism in the Region.

## CONCLUSION

NEIDP would like to dedicate itself to the people of Manipur by addressing local and specific issues concerning the people at all levels. It assures the people of Manipur that the election manifesto will implemented with sincerity and commitment.

**VOTE FOR NEIDP MEANS VOTE FOR THE WELFARE OF THE PEOPLE AND MANIPUR**

## ২০১৭ মণিপুর এশেমব্লী মীখলদা
## এন. ই. আই. ডী. পী. না পাংথোক্কদবা থবক থৌরমশিং

### ৱাহৈদোক :

চাওখৎ থৌরাংগী হীরম পুন্নমক্তা ফংফম থোকপা হক মৎপিরবা মণিপুর অমসুং অৱাং নোংপোক ভারত্তা লৈরিবা মীয়াম পুম্বগী অনিংবা অপাম্বগী ইহুলদগী নোর্থ ইস্ট ইন্দিয়া ডেৱলপমেন্ট পার্টি পোকখিবনি। তশেংনা ঙসি ফাওবদা নহারোল লাক্ষ ৭ হেন্না থবক ফংদ্রিবসিনা মণিপুরদা চাওখৎপগী মমি তাদ্রি হায়বদু তাক্লি। **এন. ই. আই. ডী. পী.** না মণিপুরগী ইতিহাসকী অনৌবা য়াওলদা, গান্ধিজিগী ফিদমদা য়ুম্ফম ওইবা "মান্নবা খুনায়দা ধর্ম্মগী খেন্নবা থমদনা পুন্না চাওখৎমিন্নবা লৈঙাকলোন" অদু মীয়ামদা তমজগে হায়না ৱাশকচরি। পারী পুরীগী খুন্নাই কাঙলোনদা অমসুং অৱাংবা থাককী হৌনা-লোনচৎকী ইথিলদা চাওখৎপা ঈং-তপপা মণিপুর অমা শেমগৎনবগী থৌদাং লৌজরি। শুপ্না হায়জরবদা, **এন. ই. আই. ডী. পী.** গী ফিরেপতি মীয়ামগী লৈঙাকপু (গনতন্ত্র) মাইওন খুদিংমক্তা থাঙ্গৎপনি। ঐখোয়গী হৌখিবা পুৱারী অমসুং নিংতম ইহৌগী লিক্লম ইন্দুনা, গান্ধীজিনা পান্দম ফংনবা লৌখিবা অদুগুম্বা খোঙথাংদা শেল-থুমগী, লৈঙাকলোনগী, খুন্নাইগী, খুন্নাই লোনগী ফিবম ঙাক শেন্দুনা চাওখৎহন্নবগী ফিরেপনি।

নিংতম্লবা মতুং অয়াম্বা মতমদা শক্তি পায়রগা মপু ওইদুনা লাক্লবা মরুওইবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা লাইরবা, থবক ফংদবা, হকশেল, লাইরিক হৈতবা অসিনচিংবগী অৱাৎপা কোকহনবা ঙমদ্রি; অদুমক্লা মণিপুর খুন্নাইবু নুঙাইতবা ফিবমদা চহি কয়া লিশাং শিৎনা খাঙদুনা লৈহল্লকলি। **এন. ই. আই. ডী. পী.** না মীয়ামগী মফমদা ফিদমনিংঙাই ওইরবা লুচিংবশিং পুকচেল শেংবতা নত্তনা মশাগী পুন্সি মহিংদসু অমকপা লৈতবা; মীয়ামগী ফিভম ফগৎহনবনা মশাগী পান্দম ওইবা; মরমদম নুংশিবনা করিগুম্বা মখল অমত্তগী মীহৌলাংদা থুররোইদবা; কৈদৌনুংদা মশাগী কান্নবা য়েংদুনা লন-থুম লেপশিনবা তৌররোইদবা অদুগুম্বা ফিদমনিংঙাই ওইরবা লুচিংবশিং খুদোল তমজনিংঙই। মসি তরাই তরাইবা থবকতি নত্তে; অদুম্নদি ওইরগা অশাংবা খোংচৎ পুম্নমক অহানবা খোঙথাংনা হৌগনি।

নুঙাই য়াইফবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা লৈঙাক লোইননা মীয়ামগা চুংশিন্ননা তৌগদবশিং পলহন্দনা পাঙথোকপগী থৌদাংদু লৌজগনি হায়না **এন. ই. আই. ডী. পী.** না ৱাশকলি।

**এন. ই. আই. ডী. পী.** না খুন্নাইগী চৎনা কাংলোন অমসুং ফংফম থোকপগী খেন্নবা থমদনা পুম্নমক থোং মান্ননা চাওখৎমিন্ননবগীদমক লেপলি। লৈঙাক্কী চৎনা পথাপনা য়াবা ঙমখৈনা কোনবা লৈবাক্তা শক্তি লৈবা লৈঙাক্লোনগী খুন্নাই অমা শাগৎপা লোয়ননা ইশাগী শক্তম অমসুং ইজাতিগী ৱাখললোন ঙাক্লনবগীদমক অঙম্বা থৌদাং লৌনবা **এন. ই. আই. ডী. পী.** না কথোকলি।

### এন. ই. আই. ডী. পী. না মীয়ামদা হঙ্গৎচবা :

ইরমদম মণিপুরদা মীয়ামগী লৈঙাক অমা লৈনবা লৈবাক্কী সংবিধান, মীয়ামগী লৈঙাক্কী অমদি য়ুম্ফমবু ইকাইখুম্নবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবা মীয়ামগী ৱারেপপু **এন. ই. আই. ডী. পী.** না নোল্লুক্লা নিজরি।

**এন. ই. আই. ডী. পী. না মীয়ামগীদমক্তা পায়খৎচগদৌরিবা থবক থৌরমশিং :**

১. **এন. ই. আই. ডী. পী.** না ভারতকী সংবিধানদা চেৎনা থাজবা থম্বগা লোয়ননা পুকচেল শেংনা থৌদাং লৌগনি অমসুং মখাদা পিজরিবা পান্দম মরিসিদা যুম্ফম ওইবা সংবিধানগী কয়াৎশিংবু নিয়ম ঙাক্লা চেকশিন্না ইনগনি :

*ক. লৈবাক অসিগী লৈঙাক পথাপন্তা খ্বায়দগী ৱাংবা শক্তি পিবা।*

*খ. লৈঙাক পথাপন্তা লাইনিং লিচৎকী ৱাংমদা লৈবা নত্রেগা লাইনিং লিচৎকী ওইবা ৱাকম লৈহন্দবা।*

*গ. কেন্দ্র অমদি রাজ্যাগী লৈঙাক্লোন লৈবা অমসুং*

*ঘ. লৈঙাক পথাপন্তা মীয়ামগী মীহুৎনা অখোইবা ওইদুনা মীয়ামগী লৈঙাকলোন লৈবা।*

২. ভারতকী লৈঙাক পথাপ মনুংদা মনিপুর মীয়ামদা লৈঙাকলোন, খুন্নইলোন অমসুং শেলমিৎলোনগী ফংফম থোকপা চাকথুং ৱাংনা লৈহন্দুনা মনিপুর চাওখৎনবগীদমক অচেৎপা থৌদাং লৌগনি।

৩. মনিপুর পুম্বগী ওইনা খুন্নাইগী শোথহৌরবা কাংলুপশিং ওইনা লৈরিবা সেদ্যুল ত্রাইব, সেদ্যুল কাস্ট অমসুং ও বি সি শিংবু থাক ৱাংহন্নবগীদমক ৱায়েল কাংলোননা য়াবা মওংদা কন্না থেংনগনি।

৪. খুন্নাইগী খুদোংচাবা ফংলিবা অৱাংবা থাক্কী কাংলুপ্তা চল্লিবা মীওইশিংগীদমক্তশু লৈঙাক পথাপনা পীরিবা ফংফম থোকপা চাকথুং অদু ফংহন্নবা থেংনগনি। পার্টি, জাৎ, কুচু অমসুং থাজবগী খেন্নবা থমদনা কাংলুপ খুদিংমক্কী চাওখৎপদা খল কায়দনা থম্নবা কন্না হোৎনগনি।

৫. জাৎ-বিজাৎ খাইদবা ভারত অমা ওইহনবদা পুক্লিং থৌগৎকনি।

৬. লাইনিং লিচৎকী খেন্নবা থমদনা মীয়ামবু মহৈ হৈহনবগা লোয়ননা লাইনিং লিচৎ পুন্নমক্কী লিক্লমশিংবু মান্নবা মীৎয়েংদা ইকাই খুম্নবা পুরক্কনি।

৭. তোঙান তোঙানবা লাইনিং লিচৎ, জাৎ অমদি চৎনবীগী মীওই পুন্নমক্কী মফমদা ৱায়েল কাংলোন ঙাক্লা ঈং-তপপা অমসুং চান্ন-চিন্নবা মীওইবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবা খোঙথাং লৌগনি।

৮. মহৈ তম্বগী পরিং পথাপপু নৌহৌননা শেমগৎহনগনি লোয়ননা লাইনিং লিচৎ পুন্নমক্কী ওইনা অচুম্বা, থৌনা অমসুং অচেৎপা ৱাখল্লোনবু শৌগৎকনি।

৯. তোঙান-তোঙানবা পুন্সি মহিংদা লৈরিবা মীওই পুন্নমক্কী মফমদা চপ মান্নবা খুদোংচাবা ফংহনগনি।

১০. নিংহন্নবা লৈতনা মণিপুরগী নুপী খুনায়বু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনগনি অমসুং নুপীশিংবু থবক মফমদা খুদোংথিবা তাহনবনচিংবা থৌদৌ পুন্নমক্তগী ঙাকথোক্কনি। লোয়ননা মশাগী অপান্বা থুংনবা নুপীবু নমজা নমথেক্লবগী অমসুং যুম্বান্বগী লমদা ওৎ-নৈবগী মরাল লৈবশিংবু অকনবা চৈরাক ফংহনগনি।

১১. মণিপুর পুন্নবদা শিন্নীশিংগী ফংফম থোকপা, ইকাই খুম্নবা অমদি শোইঙামদবা অমসুং মখোয়বু নৈহৎপা (ওৎপা) তৌহল্লোই।

১২. নুপী অঙাংবু ললোনবা থিংনবা কন্না হোৎনগনি।

১৩. পুকনুংগী অমদি পোকপা কুইদ্রিবা নুপী ওইবা অঙাং হাৎপা লাকশিন্নবা অকনবা ৱায়েল কাংলোন শেম্নদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি।

১৪. খুঙ্গংগী লাইরবা নুপীশিংগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনগনি।

১৫. আইন সভাদা নুপীগী য়ামদ্রবদা ৩৩% (চাম্মদা কুন্থ্রাহুমদোই) খাক্কনি অমসুং কাঙলুপ খুদিংমক্কী ওইনা চানবা মশিংদা মীহুৎ লৈহনগনি।

১৬. মণিপুরদা নুপী-নুপা খায়দনা মান্নবা থাককী মান্নবা খুৎশুমল ফংহনগনি।

১৭. য়ুমদা শুবা য়াবা অপিকপা খুৎশা হৈবগী থবকশিং চাওখৎহনগনি অদুগা লৌমীশিংদা অপিকপা শেনে দায়দা শেল পুবা ফংহনগনি।

১৮. লৌমীশিংদা মতেং ওইনবা অতাবা মমলদা লৌউ- শিংউগী পোত্থোক ফংহনগনি অমসুং লৌউ-শিংউগী কো-ওপরেটিব লিংদুনা পোত্থোক য়োনবদা হেন্না ফগৎহন্নবা থৌদাং লৌগনি।

১৯. ঈশিংবু লৈবাক্কী অমসুং ময়াম পুন্নমক্কী ওইবা পোত্থোক ওইনা লৌগনি অমসুং লনাই ওইনা শিজিন্নবা অমদি তুরেল পুখ্রিনচিংবা য়োনবা তোকহনগনি।

২০. লৈবাক্কী মায়োক্তা থবক তৌদুনা মণিপুরগী অমসুং লৈবাক্কী অপুনবা শক্তমদা শিংনরক্লিবা কাংলুপশিং য়াওনা শাফু পুন্নমক্কী মায়োক্তা পার্টি অসিনা চপ চানা থেংনগনি।

২১. ইকাই খুম্ননা, মীহাৎ মীপুনগী অকিবা ফাওদনা, অমগা অমগা চান্ন-চিন্ননা লৈবাপুন্সি মহিং শোইদনমক ফংহননবগী অচেৎপা ফিরেপ লৌগনি।

২২. য়ুমলোন্নবা লৈবাকশিংগা মরুপ মপাং ওইবগী মরি শাগৎকনি।

২৩. চাবা ফংদবদগী শিবা, লৌমীশিং, মৈহৌরোলদগী চৎনরকপা শিনফমশিংগী শিন্থারোয়শিং অমদি খুৎশা হৈবশিংনা মথন্তা শিজবা, মচি ওইবা চিঙ্গাক ৱাৎপগী অঙাংশিং অমসুং খুঙ্গংগী লাইরবা নুপীশিংনা শিবা নাবা থোক্তনবা মায়পুনবা থৌদাং লৌগনি।

২৪. চিঙ্গাক ৱাৎতনবা অমসুং চিঙ্গাক্কী মীপাল তাঙদনবা লম লৈজদবা লৌমীশিং অমদি লৌ ঈংখোল শুবশিংগীদমক ৱায়েল কাংলোন শেমদুনা পাকশন্না মখোয়বু লমগী মপুশিং ওইহন্নবা হোৎনগনি।

২৫. হান্নদগী লৈবা মীয়ামগী চাকথুং য়েননবগী চৎনা পথাপ ময়েক শেংনা থবক তৌহন্দুনা খুন্নাইগী শোত্থহৌরবা কাঙলুপ্তা খুদোংচাবা ফংহনগনি।

২৬. মরম চাদনা ফাবা পুনবা তৌদুনা ওৎপা অমদি মীওইবগী লিচৎ নত্তবা থৌদৌদগী মীচম প্রজাশিংবু ঙাক্কনি।

২৭. শান্তি ওইবা পান্বেনা মণিপুরদগী অমসুং অৱাং নোংপোক ভারতকী লমশিংদগী অফসপা (আর্মদ ফোর্সেস স্পিপসিয়েল পৱার এক্ট) লৌথোক্কনি।

২৮. লৈঙাকলোলনা পীরিবা মনিং তম্না ফোংদোকপা, মীয়ামগী মীফম পাংথোকপা, মীয়াম পুনবা অমসুং য়ানিংদবা ফোংদোকপদা নিংতম্বা পিগনি।

২৯. চহি ১৪ ফাওবগী অঙাংশিংদা লেম্না অমদি শুকশোয় শোয়দনা মতিং লৈবা মহৈ মশিং তম্বা ফংহনগনি লোয়ননা মতিং লৈবা মহৈ মশিং তম্বগী পাম্বৈশু শেমগৎকনি।

৩০. মীপুম খুদিংমক ময়েক চৎহননবা হোৎনগনি।

৩১. শেল-থুমগী ফিভম চাওখৎহন্নবা অমদি অনৌবা শিনশারোল (technology) পুথোক্লবগী পান্দমদা পার্টি অসিনা খুৎ-শা হৈবগী লমদা মখল-মখাগী লৌশিং লৈরবা মীওই কয়ামরুম শেমগত্তুনা পুথোক্লবা থৌশিল য়াৎকনি। মদুগী মিৎয়েংদা হাইয়র সেকেন্দরি থাক্তা অমসুং অখন্নবা মহৈ লোইশঙশিংদা শিনফমগী মহৈ তমহন্নবা থবক পায়খৎকনি।

৩২. মহৈ মশিং তম্বগী থাক ৱাংখৎহন্নবগীদমক্তা মতিং লৈবা ওঝাশিং মথৌ তাই। মরম অসিনা ওঝাশিংগী শেনমিৎলোন হেনগৎহনগনি।

৩৩. মীপুম খুদিংমক মরুওইনা খুঙ্গংগী নুপী অঙাংশিংদা অতাবা মমলদা অমদি মতিং লৈবা হকশেলগী খুদোং চাবা ফংহনগনি।

৩৪. খুঙ্গংগী প্রাইমরি হেলথ সেন্টরশিংবু হেন্না ফগৎহনগনি অমসুং খুঙ্গংদা অফবা অনা-লায়েংশং লিঙখৎতুনা শেল খরদংনা হকচাং ফনা চেকশিন্না লৈনবা শিনগনি।

৩৫. হকচাং নাদা য়েক্তনা লৈনবগী থৌওংদা হৌজিক-হৌজিক থেংনরিবা অচৌবা অৱাৎপা কয়া লৈরিবশি কোকহনগনি।

৩৬. মমাংঙৈদগী চৎনরক্লবা লাইয়েং পথাপপুসু (ইন্দিজিনস এন্দ ট্রেডিসনেল হেলথ ক্যার) চপ মান্না পুখৎতুনা হিরম অসিদা শেলগী অমসুং থিজিন হুমজিন্দুনা (রিসার্চ) তম্নবগী মতেং ফংহনগনি।

৩৭. লায়না অয়াম্বনা ঈশিংদগী পোকপনা পুম্নমক্তা অফবা ঈশিং শোয়দনা ফংহনগনি।

৩৮. খুনায়গী শোথহৌরবা কাঙলুপশিংগীদমক অতাবা মমলদা য়ুম শাগনি।

৩৯. মণিপুরদা ঈশিং নুংশিৎতা অকায়বা পিরোইদবা খুৎশা হৈবগী থবকশিং (নন পোলুসন ইন্দস্ট্রিজ) চাওখৎনবা তৌগনি।

৪০. লনাইগী ওইবা লুপশিংগী অমসুং শেনমিৎলোনগী ওইবা মনিংতম্বা শৌগৎকনি। **এন. ই. আই. ডী. পী.** না পোত্থোক য়াম্না পুথোক্লবগী, থবক তৌনবগী অমসুং পোৎ থাদোক্লবগী পান্দমদা মালেমগী ওইনা য়াৎলিবা থৌশিলবু য়ৌশিন্না পাকশন্না শন্দোক্লবগী ফিরেপ লৌগনি।

৪১. মীয়াম থবক তৌবগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা মতমগা চুন্নবা লৌউ পথাপ, মতিকচাবা খুৎশা হৈবগী শিনশং পায়খৎনবা, অহৌবা থাক্কী মীওইশিংদা লন্নাই শেনমিৎলোন ফগৎহন্নবগীদমক্তা পুক্লিং থৌগৎকনি। লোয়ননা সহরগী অমসুং খুঙ্গংগী লৈত-লায়রশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহনগনি।

৪২. মণিপুরদা private investor শিংনা নিয়ম চুম্না খোঙজেল য়াংনা চঙশিনবা ঙম্নবগীদমক্তা **এন. ই. আই. ডী. পী.** না চানবা ৱায়েল কাংলোন্দা য়ুমফম ওইবা লৈঙাক্কী অচেৎপা কয়াৎ থমগনি।

৪৩. **এন. ই. আই. ডী. পী.** না খুঙ্গংগী শেল থুমগী ফিভমদা অহোংবা পুরক্লবা লৌউ শিংউবগী থবকপু industrialise তৌনবা ইথিল পিগনি।

৪৪. মনুং মপান নাইদবা অমসুং থৌদাং য়াবা লৈঙাকলোন অমা ওইনবা হোৎনগনি।

৪৫. লৈঙাক্কী মওং খুদিংমক্তা শেঞ্জা থুমজানচিংবা অরানবা তৌদনবা নিংতম্না য়েংশিন্ননবা লৈরিবশিংবু পাঙ্গল পিগনি।

৪৬. তোঙান তোঙানবা লৈঙাক্কী লোইশংশিংগী অমসুং লনাই কম্পনিশিংগী social audit তাঙ্কক নাইনা মীয়াম খঙনা তৌহনগনি।

৪৭. মরাল লৈরবা লৈঙাকলোইশিং অমসুং মখোয়গী য়াথং মণিপুরগী লৈমায়দগী মুথৎকনি।

৪৮. লুচিংবশিংনা লৈঙাক্কী ময়োন ওইরিবসিদগী মীয়াম্না ময়োন ওইহন্দুনা, পার্টি মনুংগী ওইনা মাংজৌননা মীখল অমা পাংথোক্তুনা কেন্দ্রগী ওইবা মীখলগী মীরেপ পুথোক্তুনা, লুচিংবশিংনা ময়োল ওইরিবসিদগী মীয়াম্না ময়োন ওইবা লৈঙাকলোনগী ফিবম অমা শেমগৎতুনা হৌজিক লৈরিবা পার্টিগী মীহুৎ থাগৎনবা টিকেৎ পিবগী ইরাংশিদা চীরোল তৌদুনা শেলগী হিদান্নবা কোকহনগনি।

৪৯. পুলিস লোইশঙবু, আইনগী ৱাংমদা তৌরিবা অকায়বা অরানবা থৌওংশিংদগী অমসুং লৈঙাক্লোন্দা য়াওরিবা মরাল লৈবা লুচিংবশিংগী ইথিন্দগী থৈদোক্তুনা অচুম্বা মাইওনদা পুরক্কনি।

৫০. হুরাল চিনথি, অকি তুজুং পোকহনবা অমসুং লাইনিং লিচৎতা হকচিনবনা খুন্নাইদা শোকহনবগী থৌওংশিংবু অকনবা মওংদা মরু ফংনা নমথগনি অমসুং মীয়াম্না য়াবা মওংদা য়ুমফম ওইবা লৈঙাক শৌগৎকনি।

৫১. লৈঙাকলোনগী অকুপপা অরোনবা ই-পাও অনৌবা technology শিজিন্নদুনা খুমাং চাওশিন্না খংনবগী ৱাখল লৌশিং নৌহৌননা ফগৎহনগনি।

৫২. Criminology, পুলিসকী অমসুং ৱায়েল লোইশংগা মরি লৈনবগী মহৈ (ফোরেনসিক) তমদুনা হৈননবা, মহৈগী অমসুং থিজিন হুমজিননবগী তম্ফমশিং চাওখৎহনগনি।

৫৩. লৈঙাকলোনগী চৎনা পথাপ থুগাইরিবশিংগী মরাল লাকশিন্নবা অমসুং ঙাকথোক্লবা মরালগী লিখুনশিং পরিং নাইনা খোমজিন্দুনা computerised তৌরগা থম্লবা খোংথাং পাইখৎকনি।

৫৪. মণিপুরদা খুৎশেমগী হার শিজিন্নদুনা মহৌশাগী ওইবা লৌউ পথাপ মপুং ফানা চাওখৎহনগনি।

৫৫. মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা কাঙলুপশিংগী মাংলমচত্তগী লৈরক্লবা পুক্কে থল্লবা খুন্নাইগী চৎনবীশিং অমসুং নাৎপু ঙাক্তুনা থম্লবা হোৎনগনি।

৫৬. অকোয়বগী মহৌশাগী ফিভমশিং ঙাক্লবা আইনশিং চেৎনা থবক ওইনা পায়খৎকনি।

৫৭. ষ্টেট তরেৎকী মরক্তা নাৎ অমসুং চৎনবিবু অমগা অমগা খঙমিন্ননবা থৌরাং থৌশিল পাইখৎকনি।

৫৮. অৱাং নোংপোক ষ্টেটকী মীপুম খুদিংমক অমত্তনি হায়বগী ৱাখল্লোন শাগৎকনি অমসুং লমদমশিং অসিগী মীপুম খুদিংমক য়াইফমিন্ননবা হোৎনগনি।

৫৯. য়েলহৌমীশিংবু তেক্ত-কায়দনা লৈহন্নবা অমসুং মখোয়গী নাৎকী শক্তম্বু য়োকখৎনবা, তোঙান-তোঙানবা কাঙলুপশিংগী অপুনবা (ইউনিটি ইন-ডাইভরসিটি) শক্তমগী পাউজেলবু ইনোৎ হাপকনি।

৬০. মীয়ামগী মরক্তা মান্নবা ৱাখল্লোন পোকহনগদবা খুন্নাইগী ওইবা কুম্মৈশিং, নাৎকী থৌরমশিং অমসুং তোঙান-তোঙানবা কাঙলুপকী মীওইশিং পুনসিন্নবা শৌগৎকনি।

৬১. লমদমসিগী ললোন-ইতিক্কী চৎনা পথাপকী কয়াৎশিং চেৎশিনহনগনি।

৬২. লমদমসিগী মীয়ামগী চথোক-চশিনগী অমদি শম্নহন্নবগী (পব্লিক ট্রান্সপোর্ট এন্দ কন্নেকটিভিটি) থৌশিল চাওখৎহনগনি।

৬৩. ইউনিভর্সিটিগী থাক্তা মালেমগী শেল-থুমগী অমসুং লোলগী মহৈ তম্বদা পুক্লিং থৌগৎপগা লোয়ননা থবক পায়খৎকনি।

৬৪. মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থম্নবগী পান্দমদা মহৌশাগী ফজবগী পুক্কে য়োকখৎকনি।

**ৱারোইশিন :**

***NEIDP* না মণিপুরগী মীয়ামগী মফমদা কখোকপগা লোয়ননা লম-লমগী ওইবা অমসুং থোইদোকপা ৱাথোকশিং কাঙলুপকী খেন্নবা থমদনা থেংনদুনা কোকহন্নবা হোৎনগনি। পার্টি অসিনা মীখলগা মরি লৈননা তৌজগে হায়না লাওথোকচরিবশিং অসি পুকচেল শেংনা থমজবগা লোইননা মণিপুর মীয়ামগী মফমদা শোয়দনা পাঙথোকচগনি হায়না পার্টি অসিনা ৱাশকচরি।**

******************



email : neidp7@gmail.com